## এডিটোরিয়েল

# অহল–লমনবু ইকায়খুম্নদবা

*মণিপুরদা লৈরিবা সরকার অসিনা হৌখিবা তার্ম কয়ারক অসিদা কয়ারক হন্না মীয়ামগী নিংবা থুংহন্নবা থবক অমত্তা পায়খৎলমদে হায়বসি নোংম–নোংমগী ময়েক শেংলক্লি। ভারত সরকারগী স্কিম অমা ওইনা পায়খৎলিবা ওল্ড এজ পেন্সনগী মতাংদা মখল মখা কয়াগী থৌশিল কয়া পায়খৎতুনা বেঙ্কতগী মশা মশাগী একাওন্টতা হায়রিবা পেন্সনগী শেনফমশিং অদু চংহন্দুনা কায়থোক কায়শিংন য়ানবা হোৎনরি অমসুং মসি মতম অমদা পাল্লন্বা সরকারনা নত্রগা মতমদুগী সিষ্টেমনা মরম ওইরগা শেঞ্জা থুমজাগী থবক কয়া চথরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈবদগী সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা পায়খৎলিবা স্কিমশিং অদুগী শেনফমশিং অদু মীওই মশা মশাদা ফংহন্নবা লৌখৎলকখিবা থৌরাং অমনি হায়না ফোংদোক্লখি। মসি তশেংনা খল্লগদি মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টনা শেঞ্জা থুমজাগী থবক চথবা অমসুং মরি লৈনবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংদা মতম মতমগী ওইনা মখোয় মখোয়গী ওইবা মীওইশিং হাপচিন্দুনা ভোট বেঙ্ক অমা শেম্নবা হোৎনরকপদগী থোকপা থৌওং অমরা হায়বসি য়েংশিনবা চংলি। মমাংদা পাউ চে শিংনা ফোংনখিবদা মরম চাদবা মীওই কয়া অমসু মণিপুরদদি ওল্ড এজ পেন্সনগী খুদোংচাবা লৌই হায়না ফোংদোক্লখিবা লৈখ্রবনি। মসিগী মথক্তা মরম চাদনা মীওই কয়া অমা মশাগী সার্ভিস এজ লোয়দুনা থবক্তগী পোত্থাখ্রবা মতুং পেন্সন ফংনা–ফংনা ওল্ড এজ পেন্সনগী খুদোংচাবাসু লৌরম্বা কয়া অমা লৈখ্রে। মদু সরকারনা কদায় ফাওবা য়ৌনা ষ্টেটকী থাক্তা লৈহন্দনবা হোৎনখ্রবগে হায়বদু অচৌবা ৱাহং অমা ঙসিসু ওইরি। মসিদগী ওল্ড এজ পেন্সন অসি ফংফম থোক্তবা মীওই কয়া অমসু মীয়ামগী মীহুৎশিং অমদি দিপ্লোমেতিক ওফিসরশিংনা মখোয়গী খুদোংচাবা য়েংদুনা ফংহনখ্রে হায়বসি য়াম্না মুন্না খংবদগী হৌজিক মীওই মশা–মশাগী বেঙ্ক একাউন্টশিং হাংহন্দুনা মশা–মশা ফংহন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎলকপনি। মসিমক্তদা সিষ্টেম অসিগী অশোয়বদুনা মরম ওইরগা বেনিফিসরিশিংনা ফংফম থোকপা হকশিং অদু ফংদ্রি অমদি মখা তানা সরকারনা পায়খৎলিবা থৌশিলশিং অদুগী খুদোংচাবা কয়া অদু মতম চানা মীয়ামদা ফংহনবা ঙমদে। মসিদগী বেনিফিসরিশিংনা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টশিং অদুদগী কাইথরকপা শেনফমশিং অদু ষ্টেট গভর্নমেন্টশিংগী মখাদা খংদ্রে হায়বসিমা ময়েক শেংলে। অদুনদি ষ্টেটসিনা কদায় ফাওবা য়ৌনা অহল ওইরবা মশাগী শেম্মোক লৈত্রবা মীওই কয়াবু মতৌ করম্না ইকাইখুম্নরিবগে হায়বসি হংবা তাবনি। মসি ঙসিসু প্রোব্লেম অমা ওইনা লৈরি হায়বসি মীয়াম্না ইখঙ খঙনরবনি।*

*অহলশিংবু ইকাইখুম্নবা হায়বসি নহাওইরিবশিংগী মথৌনি। মখোয়বু ইকাইখুম্নদ্রগদি ষ্টেটসিগী মীয়ামগী মীহুৎশিং অসিগী মোরেল ৱাৎলি অমসুং মখোয়না পায়খৎলিবা থৌরাংশিং অদুনা ষ্টেটসিদা লৈরিবা মীন্নাহৌদ্রবা মশাগী তুংগী লম্বী উদ্রবা মীওই কয়াগী হক অদু ফংহন্দনা থল্লকপা অসিনা খুদোংচাবখক লৌনবা লৈবা মীওই অমগুম উহল্লকই। মসি কোক্লবা সরকারগী থৌশিল অমা মথৌ তাই। উরিবসি মীয়ামনি অমসুং মীয়াম্না উরিবসিমক থবক্তা পাংথোকপা ঙমদ্রগদি খ্বাইদগী লুবা মতাং অমা ওইগনি। অহল লমনবু ইকাইখুম্নবা উৎপা ঙমদ্রবা লৈবাক্কী মীয়াম অসিগী মীহুৎশিং অদু কদায় ফাওবা য়ৌনা ইকাইখুম্নবা উৎলক্কদদে হায়বদু ঙসি পাল্লিবা সরকার অসিনা খঙফম থোকই। মসি ঙমদবনা ঙসিদি তোঙান–তোঙানবা ৱাকৎশিং লাকপগা লোয়ননা সরকার পায়রিবা মীহুৎশিংগী মনুংদা তোখায় তানিংবগী ৱাখল্লোন অমা লাকহনবনি হায়বসিদা থোইদোক্লা লানফম থোক্ত্রে হায়না খল্লি। মণিপুরদা মহৌশাদগী লৈরকপা চৎন–লোনচৎতা লৈরক্লিবা অসি অহল–লমনবু ইকাইখুম্নবা উৎতবা অসিমক মণিপুর সরকারগী খ্বাইদগী চাওবা অশোয়বা অমনি হায়না লৌবা তায়। মসি থোক্তনবা অমসুং মখা তাবা অহল লমনশিংদা অশোয় অঙাম থোকহন্দনা মখোয়গী ফংফম থোকপা য়ামখিদ্রবা শেনফম অদু ফংহন্নবা চপ চাবা এক্সন অমা মণিপুর সরকারনা ঙসি লৌখৎপা তায়। মদু নত্রগদি অহলশিংবু ইকাইখুম্নবা ঙমদ্রবা সরকার অমা ওইগনি খল্লি।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# নহাশিংনা নিষা চাবা হেনগৎলকপা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

লমদম অসিদা হীরম খুদিংদা অৱাৎপা লৈরিবা অসিগী মথক্তা নহাশিংনা নিষাদা হেন্না মিৎয়েং চংনবা নোংম–নোংমগী চাং ৱাংখৎলক্লি। মসি করম্না হৌরকপনো হায়বগী চপ–চাবা লীখুল অমা থীবগী মতম ওইরে। মতম অমদা মরিপুরদা সিভিল ওর্গনাইজেসন কয়ানা নিষা থীংনবা হোৎনরম্মি অদুবু কান্নবা করি ফংখিবগে হায়বসিনি। নিষা য়োনবা মীচং–শঙ্গা নাইরগা লোইশিনখিবা খোংথাং ওইদুনা অদুম তোকখি। লৈরক–খুলক তেক–তেক য়োনবা কয়াদা অকনবা শীংদুনা ইকাইবা পীবা অমদি খবর কাগজদা শেংদোকহল্লগা খোংজং অদু অদুম থুপচিনখরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। শেনঞ্জাও পায়বা কয়ানা ইম্ফাল ময়োল মক্তদা হায়বদি পোলোগ্রাউন্দ মনিংদা দুকান কয়া হাংদুনা য়ু–য়োল্লিবা অসিদি থীংবা ঙমবরা অমদি লেপহনবা ঙল্লীবরা। মসি লুচিংবা–লুচিংবী কয়াগী কান্নবা খরা ফংলগা খোঙজং অসি লেপ্পা মাল্লি। মসিদা মাংলিবা অসি কনানো হায়দুনা খোংজং চংলিবা সিবিল ওর্গনাইজেসন, মৈরা পায়বী, নিষাগী ময়োক্তা লৈবা লুপশিংনা মুন্না য়েংশিনবগী মথৌ তারে হায়নিংই। মতু শোনবা মীদা হঞ্জিন–হঞ্জিন অৱাবা পীরবদি অতেবা ষ্নন্না ৱাইরকপদা শরু ফংই হায়বদু কাওথোকপা চুম্লোই হায়না মরি লৈনবা সিবিল ওর্গনাইজেসন, মৈরা পায়বী, নিষা থিংলিবা লুপ মৈরা পায়বী অমদি গভর্নমেন্ট গী এজেন্সিশিংনা ৱাখল লৌশিং পুথোক্তুনা মংজিন থাগনি হায়না খনজে। করিগুম্বদা ত্রেদিসনেল গী য়ু–শুংলীনি হায়রগা লৈরক–খুল্লক্তা জীবীকা হীংনবা হোৎনরীবাশিংদা অৱাবা পীরিবা অসিনা করি অতোপ্পা পোরম অমা লৈবনরা।

মসিগী মথক্তা লমদম অসিদা নৌনা য়ুম পানবগী কলচর অমা শাগৎলক্লিবা অসিগা মরি লৈননা মৌনহা শিংনা ঙসিদি করিগুম্বা য়েনশাং অমা চারুরে হায়দুনা ক্কা চাবা অমম্বা অথেংবদা থোক্তুনা লৈরিবশিং অসিনা করিনো হায়বসিনি। লমদম অসিদা থোক্লিবা ক্রাইম কয়া নুপা খক্ততা নত্তে, নুপীশিংগীসু য়াওই হায়বদি, সিবিল ওর্গনাইজেসন, মৈরা পায়বী লুপ ষ্টুদেন্ট ওর্গনাইজেসন অমদি গভর্নমেন্ট গী এজেনসি মরু ওইনা হোম দিপার্টমেন্টনা খংজিনবা চুমগনি খনজে।

*অদোমগী*
*নমোয়জম চিতন লুৱাং*
*শিংজমৈ, ইম্ফাল*

# নিয়মদি নত্তনা নুংশিননবা



নুপানা শাওগল্লগা নুপীনা ইং তপ্পা, নুপীনা শাওগল্লগনা নুপানা ইং তপ্পা হায়বসি মহৌশাগী ওইবনিনা লন–থুম য়াম্না লৈবা ইমুংগী মচিল মনাও খৎনগল্লগা লন লৈতবা মচিল মনাওনা খৎনদনা লৈবসিসু চৎনৈ। লৌ ইংখোলগী মচিল মনাও খৎনবসি লৌ লৈবা ইমুংগীনি। লৌ লৈজদবা ইমুংগী মচিল মনাও লৌ–শিংগী খৎনদে। পৈশা য়াম্না পায়বা ইমুং ওইবদগী মচাশিংবু পিক্লিঙৈদগী মীরমদা মহৈ মশিং তম্বা থাখিদুনা মচিল মনাও চাক পুখম অমত্তদা চাম্মিন্নবা ফংলক্তবা কাংবু লাইরিক হৈরবা মতুংদা লৌ শিংগী খৎনরক্তুনা য়েক্লবা অমগুম কৌনদবা য়াওনৈ। শিবদা পুবা য়ারোইদবা লৌ ইংখোলনি হায়রগসু খৎনবদি লৌ ইংখোলগী মতাংদা খৎনবনা শিবা ফাওবা ঙম্মে। শিবদা পুবা য়ারোইদবা লৌসি হিংলিঙৈদা কান্নবনিনা খৎনরিবনি। শিবদা করিমত্তা পুদে হায়বসিমদি য়াম্না চুমই। পৈশাসু শিবদা পুদে। পৈশাগীদমক মীনা শিবা কিদবসি শিবদা পুবা য়াদবা পোৎকীনি। হিংলিঙৈদা নুংঙাইবসি মীওইবগী পোকপদগী য়াওরক্লবা ফংফম থোকপা ওইবনা হিংলিঙৈদা নুংঙাইনবা খৎন চৈনবা, হাৎনবা ফাওবা য়াওরিবসি নুংঙাইনবনি। নুংঙাইনবনি হায়দুনা ৱারগা লৈবা ময়াম অমসু য়াওরিবসি নুংঙাইবনি হায়দুনা খনবা ঙমগদবসি হায়ফম থোকপা হায়রুবগী ৱাবদুনা ওইগনি। হায়রোইদবদা হায়রুবগী ৱাবসিমদি খাঙবদা ৱাবা ওইবনা অৱাববু পাম্নদবনি। লমগী ৱা সিদি ঙসি ঙরাংতা চাইনানা মখোয়গী মেপ য়েকপদা ভারতকী অরুনাচল প্রদেশ য়াওশিলকই হায়বদা নুংঙাইতবা ফাওনৈ। ভারতকী মেপ্পা জম্মু কাশ্মিরনা ফজরিবসি মীনা লৌশিনখিবা লম মখৈ য়েকপা য়াওদ্রবদি ওইগনি হায়বসি হায়নরকই। হেঞ্জিল্লক্লগা লৈরিঙৈদা হায়বা শোইনায়বা ভারতকী মেপ চহী কয়াগী মমাঙদগী ঐগী ইখ্বোলদা মীনা ৱাখল খন্দুনা করিমত্তা হেক ঙমদবসি ভাব তাবা ওইদুনা মীনা নুংশিবিগদ্রা নৎত্রগা শিবদা পুবা য়ারোইদবা পোৎকীদমক খৎনরুবসি লেমদে হায়দুনা লৈরিবনি খনগদ্রা হায়বসিমদি মরনাই লৌ ইখ্বোলদা শোক্তবনিনা ৱাখল খন্দুনা লৈরিবনি। লৌরি য়ানবদা য়োৎলৈ অমা হেঞ্জিল্লকপগী শিনবা ঙল্লিবা ঐখোয়গী মণিপুরদসু ম্যান্মারনা লম হেঞ্জিল্লকপদা ৱাখল খল্লগা লৈরি। ৱাখল খল্লিবা ঐখোয়সি মণিপুরগী লমদা ইশাগী ইখ্বোলনি হায়না খনবা ঙমদবদগী ওইবা তাই। ভারতকী প্রজানা ভারতপু মশাগী ইখ্বোলনি খনবা ঙমদবা, মণিপুরীনা মণিপুরগী লমখৈদা মশাগী ইখ্বোলনি হায়দুনা খনবা ঙমদ্রবসু লৌরি য়ানবগীদমক শিনবদি ঙল্লিবসি ঐখোয়গী ৱাখল লাইরিক হৈরবসু ইমুংদগী মপান থোক্ত্রি হায়বা তাই।

খ্বাইদগী ৱাগদবদা নুংঙাইরিবসি ভারতকী আইন না অৱাং নোংপোক ভারত অমদি বেঙ্গল খক্তদা চৎনবা লমগী নিয়ম অমা লৈরম্মী। নিয়ম অসি বৃটিশনা শেম্লম্বনি হায়। ইমুংগী খ্বাইদগী অহল ওইবা অদুনবু য়ারবদি মচা মশুগী অপাম্বগী মায়োক্তা লৌ ইখ্বোল য়োম্হোকপা ঙম্মী। ঙল্লিবসি মচা মশুনা পেন্দবা অমা য়াওরবসু ঙম্বনিনা পেন্দবদুমদি পোকখায়দ্রিবা বোম ওইনা লৈহৌবদগী মণিপুরনা ভারত্তা তিনখিবসু নিংথৌনা য়াবদগী কনামত্তনা হায়বা ঙমহৌদ্রবসু পেন্দবা অমা হৌজিক ফাওবা লৈহৌরবিনিনা য়ুমগী অহলনা ঙম্মী হায়দুনা লৌ ইখ্বোলগী মতাংদা মনিং তৌরকপদা অহলদুনা শিখ্রবা মতুংদা পোকখায়রক্কদবা বোম অমদি মহাক্কী মচা মশু ওইবা কাংবুদুদা লৈহৌরি হায়বসিমা নীংশিংবা তঙাই ফদে। ঙসিমক অসিগুম্বা থৌদোক ইমুংদা থোক্লিবসি বৃটিশনা য়েক্লবা মীদা খুদুম চন্নবা শেম্লম্বা নিয়মদু চৎনবনি। মসিমক্তি নীং তম্লবা প্রজা অমা ওইনা অহল ওইরক্কদবা নহাশিংসু ভারতকী চৎনা পথাপসিগী ৱাংমদা নুংশিন্ননবা ৱাখল তৌবা মতম ওইরে।

# ভুটসু লাইরিক পায়

মালেমগী অঙকপা থৌদোকশিং
ইবোপিশক লুৱাং

তম্নলাই হায়বসি করি করম্বা পোৎশক্লা অমসুং মতৌ করম্না ওইরক্লি। মসিগুম্বগী মরম থিজিন্দুনা অশেংবা চপ–চাবা খঙনিংবা বেকী রে কৌবা মী অমনা মহাক্কা ৱাখল মান্নবা খরা খোমজিল্লগা খুৎপু অমা শেম্মী। খুৎপু অসি মহাক্লা লুচিংই। মহাক্কী খুৎপু অসিনা মে ১৮, ২০০৯দা নোংচুপ অমেরিকাগী কন্সাস সিটিগী মনুংদা লৈবা হান্না হোটেল ওইরম্বদগী হৌজিক্লা লাইব্রেরী ওন্থোক্লবা অমদা মিংয়েং থমই। লাইব্রেরী অসি হান্না হোটেল ওইরিঙৈ মনুংদা মফম–মরাং খঙদনা মাংহন–তাকহনবা তোয়মল্লকপদগী মসিগী মপু মাইক জোন্সনা য়োম্হোরকখি। অমুক মসি থোমাস হার্দিগনা লৈশিনখি। থোমাস হার্দিগ হোটেল হাংবা পাম্বা মীশক অমদি নত্তে। মহাক্লা পাল্লিবদি হোটেল শিদোক্লগা নৌনা শারগা লাইব্রেরী অমা হাংবা পাম্বনি। মহাক্কী লাইব্রেরী অসিদা চৎনখিদ্রবা, চৎনবগী ৱাংমা লানখ্রবা লাইরিকশিং ফংহন্দুনা মদুবু পানিংবা মীওইশিং পাহনবা অমসুং মমল লৌদুনা মসিগী সেন্তর ওইহনবগী পান্দম থম্মী। পান্দম অসিগী মখা পোন্না মহাক্লা হোটেল শিদোক্লগা নৌনা লাইব্রেরী হোল শানবগীদমক ঠিকা পিথোকখি। শিদোকপদগী হৌরগা হোল শাবা পুম্লোই লোইবা ফাওবদা চাওরাক্লা থা নিপান চংখি লোয়ননা লাইব্রেরী হোল শঙ্গাখি।

লাইব্রেরী হোল অসিদা নুমিৎ খুদিংগী চাং নাইনা লাইরিক পাজবা মেকী জোন কৌবা মী অমনা নোংমা অসুম্না পাউ তম্মী – ঐ মফম অসিদা হেক য়ৌবগা লাইরিক খংপা পানিংলকই অদুবু হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মনুং অসিদা হান্নগী মওং মতৌগা ওন্ন–তৈনবা মওংদা লাইরিক পানিংবা ফাওরক্তে। অদুগা য়ুম য়ৌরগা তুম্বদা মঙদা অকি–অকিবা পঙউদা উই। মসিনা মরম ওইরগা ঐ ফমুং চংবা কিজরে।

ৱাফম অসি মহাক্লা ফোংদোকপা চিংনদুনা লৈরম্বনি অদুবু মাঙোন্দা কনাগুম্বা অমগী মতেংদগী মসিগুম্বগী মরম থিজিনবা বেকী রে কৌবা মীশক অমা ফংখি। মসিগী মতুংদা মহাক্লা মাঙোন্দা থেংনরকখিবা থৌদোক পুম্নমক ফোংদোক্লকখি।

ৱারি অসিগী লিখুলদা বেকী রেনা মহাক্কী মরুপ শোন ৱাল্সগা লোয়ননা মেকী জোনগী য়ুমদা লাকখি অমসুং খঙদবা য়াদবা তঙায় ফদবা ৱারি ৱাখোং ফমিন্নদুনা ৱারি শানৈ। মথংগী নুমিত্তা বেকী রে অমসুং শোন মখোয় অনি অথুন্না অমা লোত্তুনা লৈ থাজনরিবা লাইব্রেরী অসিদা চংলকই। লাইব্রেরীগী ওইথংবা শরুক্তা থোমাস হার্দিগ গী এদমিনিষ্ট্রেসন ওফিসনি। মফম অসিদা থোমাস হার্দিগ মরু লুকথরগা লাইরিক কন্না পারি। বেকী না মখোয় লাক্লি খঙনবা ইঙ্গিৎ পী। থোমাস গী ৱাখলদা লাইরিক পাগদবা অনৌবা মী লাক্লিমাল্লে খল্লুবনি। বেকী অমসুং শোন মখোয় অনিনা নোল্লুকপা উৎলি অমসুং মাঙদা থারিবা চৌক্রিদা ফম্মী। থোমাসনা বেকী অমসুং শোন দা য়েংলি, মতম অসি মখোয় অনি নোক্নী–নোক্নী তৌই। থোমাসনা মখোয় অনি লাকপগী মরম হংই, মসিদা বেকীনা হায়রকই–ঐখোয় অদোমগী লাইব্রেরী অসিদা চাং নাইনা লাইরিক পারুরবা মতুং য়ুম হল্লক্লগা তুম্বদা মঙদা অকি–অকিবা মঙ উই, অসিনা মরম ওইরগা তুম্বা কিজৈ হায়বগী পাউ ফংবদগী মসিবু থিজিনবা লাকপনি।

অদোম্না মসিগী মরম্না করম্না খঙবা ঙল্লিবনো হায়না থোমসনা হংলকই।

বেকী অমসুং মীওই কয়ামরুম্না মফম অসিদা হান্না মতম অমদা থিএটর হোল অমা লৈরম্মী হায়বসি খঙই। হোল অসিগী অকোইবা খাজিল্লি, গোদাউনা ওইনা শিজিন্নরম্মী। মসিগী অনকপদা শারিবা অপার্ত স্তেজ অসিদা মী খরনা থাজবা লৈ মদুদি হৌজিক লাইব্রেরী হোল অমা ওন্দুনা লৈরীবা অসিদা পেরা নোর্মল এক্তিভিটি লৈ। লাইব্রেরী অসিদা নুংতিগী চাং নাইনা লাইরিক পাবা মেকী জ্জো মতম কয়াগী মমাঙদগী মহাক মশামক্লা হকথেংনদুনা খঙবা ঙল্লকপা থৌদোকশিংদা য়ুম্ফম ওইবা ৱারী লীরকপনি–মঙোন্দা করি করিগুম্বা মতমদা মহাক্লা লাইরিক পারিঙৈ মনুংদা মহাক নত্তনা কনাগুম্বা খরসু লাইরিক পাদুনা লৈবগুম্বগী ফিভম ফাওরকখি। মসিগুম্বগী তাঞ্জা অসিদা ঈশিং খৌরাংলকপদগী ঈশিং থকপা চৎলি। চত্রিঙৈ মমাঙদা লাইরিক্কী চেনা খুমজিনলমদনবা নুঙ মচা অমা নল্লগা থল্লম্মী। ঈশিং থক্লুরবা মতুং অমুক হঞ্জিনলক্তুনা লাইরিক পায়। মসি নুংতিগীনি, অসুম্না নোংমা ঈশিং থকপা থোকপদা মনাক অনকপা লৈবা লৈকোলদা ঙাইহাক্তং কোইথোক্লুরে। হঞ্জিনলকপদা চেনা মথক্তা নন্দুনা থল্লম্বা নুঙ লামায় কয়ামরুম হেঙ্গৎনা নন্দুনা লৈরম্বা উরকই। থংনবা পানরিবা মীশিংসু মাগী–মাগী মফমদা মচি লেঙদনা লৈনবা উই। মেকী জোন্না হায়–তৌরল্লিবা মওং অসিদা মহাক থোইনা হেন্না খঞ্জিনলুদে, ঙাইহাক লৈরগা অদুম কাউথোকখি। পুংখায় অমগী মতুংদা অমুকসু ঈশিং খৌরাংলকখি অমসুং ঈশিং থকপা থোক্লুই। হঞ্জিনলকপদা লাইরিক্তি মফম লেঙদনা অদুম লৈরম্মী তৌবতবু লৈরল্লিবা ফিভম অসিদি কনাগুম্বা অমনা তৌগে মতাগুম্না য়াম্না মকম্থি থোক্লা শাউনিংনা খুমজিনবগী মওংনি। মেকী জোন অসিগী মরম য়াম্না কন্না খঙনিংলকখি। মাঙোন্দা থেংনরিবা থৌদৌ অসিগুম্না অতোপ্পা মীওই খরদসু থেংনরকপগী ৱাকৎ পীনরকখি। মরম অসিনা মসিগী অশেংবা মরম চপ–চাবা খঙদোক্লুবা হোৎনমিন্নখি। অদুম্মদি ওইরগা মসিগী লায়না–লায়ওং ফাবা ঙমদনা লাকখি হায়না মেকী জোন্না বেকীদা পাউদমই। পাউদম অসিগী মখা পোন্না মখোয় থিজিনবা খুৎপুগী য়াম্না হৈথোই–শিংথোইবরবা শোন ৱালস য়াওনা মেকী জোনগী য়ুমদা লাকমিন্নদুনা ৱারী পুম্নমক খঙবা ঙম্বনি।

অসুম্না থোমাসগা ৱারী ফাওদোক্নরবা মতুং মথংগী নুমিত্তা লাইব্রেরীদা থিজিনবগী মতম কক্লখি। লাইব্রেরী নিংথৌকাবা থোং লোল্লি। মরম অসিনা বেকীনা মহাক্কী খুৎপুশিংগা লোয়ননা থিজিনবদা খুদোংচানবগীদমক্তা নোংমাইজিংগী নুমিদাং ৱাইরম লাইব্রেরীদা লাকই। লাইব্রেরী পুং তরাদা থোং লোল্লি। মসিগী মতুংদা থিজিন্নিংলিবা মখোয়গী খুত্তা শিন্নৈ। থিজিন খুৎপুনা মফম চাবা য়েংদুনা কেমেরা ওন তৌদুনা থম্মী। অহিংগী পুং তরানিথোই মখায় তারম্লগনি। লাইব্রেরী মনুংদা লৈবা অলমারীদগী লাইরিক লৈপাক্তা তাবগী মখোল তারকই। মখোয় মখোল অদোমদা য়েংই। লৈচিল নোংফাইগুম্বগী মওং অমনা লৈপাক্তা তাদুনা লৈরীবা লাইরিক থাঙ্গৎপা উরকই অমসুং মদু য়ুমথক ল্মা লংথোকখিবদু উহৌই। মসিগী মথং অমুক্তসু মখোল অমা তারকই। মখোল অসি করিগুম্বা সিনেমা হোল অমদা সিনেমা কাপ্পগুম্বগী মখোল মাল্লি। সিনেমা কাপ্না–কাপ্না তেক্লিকেলগী য়ারক্তবদগী য়েংলিবা মীশিংনা পেন্দবগী শাউনিংদুনা লাও–খোংবা মাল্লি। বেকীনা মসি পুম্নমক ফোটো নমহৌনবগী হান্ননা মফম চাবা য়েং–য়েংদুনা কেমেরা ফিট তৌদুনা থল্লবনি।

মখোয়না থিজিনবদগী ফংলকপা–লাইব্রেরী লৈরীবা মফম অসিদা হান্না সিনেমা হোল অমা ওইনা লৈরম্মী। সিনেমা হোল অসিদা য়েংলিবা খোইশাউনরবা মীশিংনা শাউবা হেনমখিবদগী চৌক্রিগী পাম্বোম থুদেক্তুনা লংবা অমসুং থুগায় য়ৈখায়বা হৌরকখি। মসিদা মরাল লৈজদবা অয়েংবা মী খরগী মকোক্তা থীনা শোকপদগী ৱাম্বা ফাওবা য়াওখি।

ফিভম অসি ইংথরক্লবা মতুংদা মী নিপান শি হায়বা খঙবা ঙল্লকখি। থৌদোক থোকপা নুমিৎ অসিদগী চয়োল অমা সিনেমা কাপ্পা থিংই। কোন্নথংদা এদমিনিষ্ট্রেসন্না হোল মপুদা হায়দুনা সিনেমা কাপ্পা পুমথিং থিংজিনহনখি। অরেম্বদা লম মাংহন্দুনা থম্লিংদবদগী মপুনা হোল য়োম্হোক্লকখি। অসুম্না মথং–মথং য়োম্হোক্লরকপনা কোন্নথংদা লাইব্রেরী ওল্লকপা ওইরম্লে খঙবা ঙল্লকখি।

# পাউচেশিং অমদি কেবলনা লাওরিবসে কনানা এক্সন লৌদৌরি

রাজেন পাওনম

হৌখিবা ইশুদসু দিসপোসিবল সিরিঞ্জ কয়া খুল্লগা মথংগী রিসাইকল তৌরগা য়োনগনি হায়বগী ফোতো জর্নেলিজমদা ময়েক শেংনা হপ্তাগী চেফোং অমদা ফোংদোক্তুনা অঙম অথৌগী মনাকোং য়ৌনবা খংহনখ্রে, অদুবু ভাব তাদে অদুম তুমীন লৈখ্রে। হন্দক অমুক হপ্তাগী চেফোং (জুন ১১দগী ১৭, ২০১৪) দা কেপসনদা অসুম্না হায়রি–করম্বা কম্পনিগী? “মণিপুরদদি দিসপোসিবল ৱাটর বোটলশিং মপোপ কায়দনা হুদোক্লবনা খোমগৎলগা য়োন্নবা ব্োডাদা হাঞ্জিন্নবা হোৎনরি” মসিগুম্বসি তরায়না লৌবা লানগনি। খর লুম্না লৌবা চুমগনি। মরি লৈনবশিংনা অচাথাও টিন কয়া ফাগৎখিবগুম হীরম অসিদসু লৈবাক মীয়ামগী য়েংদুনা থবক লৌখৎপা চুমগনি।

করিগুম্বদা কেন্দ্রগী এরিয়াদা পেন্দবা অমগী ৱাফম লাকপদা দিষ্ট্রিক্ট (অদুগী এম এল এ গী মমিং মথা পন্দ্রবসু) মেদিয়া গী খুত্থাংদা খুঞ্জা অমনা হেক হেক হায়বা থেংনৈ– মদুদি ঐখোয়গী দিষ্ট্রিক্ট অসি সরকারনা করিসু হন্না য়েংবিরদ্রে। দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরিবসে ভোট লেপখিবা নুপা–নুপী অমদি শোয়দনা লৈফম থোকই। কেন্দ্রগী মীহুৎ অদু কেন্দ্রগী ভ্োটরশিং অদুনা শোয়দনা ভোট থাদরমগনি।

মখোয়গী পেন্দবগী খোল্লাওদু মেদিয়াগী থোংদা হেক হেক ফোংদোকনৈ। মেদিয়াদা অহানবা তারগেট তৌগনি এক্সন লৌবা লৌদবনা অমনি। মতাং অসিদা মেদিয়াগী রোল লৌরিবশিংদসু ৱাফম খর হায়নিংই। মখোয় নোংমদুগী পাউশিং লাওথোকপা–ফোংদোকপা অদুনা তৌদবা য়াদবগুম তৌনরি। থাগৎতবা ঙমদে মেদিয়াগী রোলসু। মখোয়না পেন্দবগী ৱাকৎশিং অদু খুদক্তা প্রজা মীয়ামদা ফোঙদোক্লগনি। নাকল অমগী পাউ লৌরগা হৌনবী মতুং ইন্না ফোংলনি অমসুং কেবলনা লাওরগনি। মথংগী অমুক নাকল অমারোমদা মেদিয়াগী মীওইশিং কৌরনি অদুগা “শেংদোক–শেংজিন” অমুক তৌরগনি। মসিনি প্রজা ঐখোয়না পাউচে অমদি কেবলগী বীল থিরিবসি মখোয়না প্রজাদা পীরিবা সার্ভিসকী মমলনি। এক্সন লৌবা ঙমদবা অঙম অথৌ মখোয়নদি “ঙসি ফাওবা অইবা কমপলেন্ট অমা ফাওবা ফংদ্রি” হায়না য়াম্না লায়না হায়। মেদিয়ানা লাওরিবা–ফোংলিবসি ওফিসিয়েল ওইদে হায়না হায়গদৌরিব্রা?

অতোপ্পা অমনা তাইপুনবা মহৈগী থাক ৱাংলবশিংনা হায়, আইন খুৎতা শিজন্নিংবা মওংদা শিজিন্নগনু “ মোব ত্রায়েল” শুকয়া য়াদে মসিবু কনানা ঙাক্পা চৎলিবগে? মেদিয়াগীদি “হোত–কেকনি, ব্রিককিং নিয়ুজনি” অরোয়বদা ওথোরিটিদি অইবা ফংদে হেক্তা হায়। ফিলম মেকরশিংদি এৱার্দ কয়াসু ফংনখ্রে মখোয়না লাংলিবমখৈ।

মতম খরগী মমাংদা দি আই পি আরনা পুথোকপা দাইরিদা লেন–লাইনগী নম্বরশিং মথৌ নিংথিনা তৌদবা ঙাক্তা ফোংলে। দি আই পি আর মথৌ তৌই, লেন–লাইনবু তেলিফোন ওইনা ত্রিট তৌরিবা কনানো লমদমসিদা? তেলিফোনদি লায়রদনা পাউচে খরদা দি আই পি আর কৈদৌঙৈ থুপচিনগদৌরিবনো হায়নসু ফোংনখি। কনানসু পাবিখিদবা মাল্লি।

মেদিয়াগী খুত্থাংদা ইলেক্ট্রিসিটি বিভাগসি কোরপোরেসন ওনখিবদগী থাগী তলব পীবা ঙমদ্রে হায়। অদুনা ওইগদ্রা থা–থা ইলেক্ট্রিক বীল থারক্তবসি থাশিং য়ামশিলক্লে। থিবা ঙমদবনি হায়রগা মৈ ককপা ওইনা লাকদ্রা মীপাইজরি। বীল য়াম্লগা থীগদবসু অৱাবা ওইগনি, অথুবদা এক্সন কনানা লৌগনি? নত্রগা মৈ ফংহনদবগী খাজনা কোকপীরগনি হায়রিব্রা?